ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ১৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৭৩শুবা মশীং

# হিংনবগী ফত্তবা পান্বে

## চানবা লৈতে তখেন্থাং হায়বা য়াব্রা

য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইগেরা, ষ্টেট ওইগেরা নৎত্রগনা লৈবাক অপূনবসি ওইগেরা মী লৈরিবা মফমশিং অসিগী মশক অমসুং ফিভমশিং লেপথোকপদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী শেন্মীৎলোন অমসুং য়ূমলৈ-কৈরৈ অমদি পুন্সি মহিংগা খ্বাইদগী নক্নবা মরী লৈনৈ। নাকল অমরোমদনা অকক্নবা মফম অমদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংনা মফমদুগী খুন্নাইদুগী মশক, খুন্নাইদুগী থবক তৌরিবা লৈঙাক্তুগী মশক লেপ্পী। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি ককনীংঙাই লৈতনা চুন্নবা ৱাফমনি। মসি ওইরগদি হৌজিক মণিপুরগী মপূং ওইবা ফীভমসি করি ওইরবগে? তোঙান-তোঙানবা লন্নাই মীওই, লূপশিং অমদি লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা ফাওবা পেন্দবা, য়ানীংদবা ৱাকৎ কয়া ফোঙদোক্লদুনা লৈরগদি ষ্টেটসিগী লৈঙাক, লৈঙাকলোইশিংগী ফীভম করিনি হায়দুনা লৌবা য়াগদগে? লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা লোয়শঙশিং ওইরিবা সেক্রেটরিএটকী লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংগী লূপ ওইরিবা মণিপুর সেক্রেটরিএট সর্ভিসেস এসোসিএসননা সেপ্টেম্বর ৫দগী চঙশিল্লকখিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং সেপ্টেম্বর ১৫দা খক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লগা হন্দোকখ্রিবনি। ষ্ট্রাইক অদুগী দিমান্দশিংগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মিনিষ্টর য়াওনা ওফিসলশিংনা দিমান্দশিং অদু পীরগনি হায়বগী থাজবা পীরদুনা খূৎয়েক পীনদুনা য়াশিন্নখিবনি। থবক লেপ্পগী খোঙজং হন্দোকখিবনি। ঙাইহাক্কী ওইনা ফাজিল্লুবা এমপ্লোয়ীশিং থাদোকখিবনি।

অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি য়াশিন্নখ্রিবা কন্দিসনশিংদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি খোঙজংশিং অমুকসু চত্থরক্কনি। অদুনা মণিপুর সেক্রেটরিএট সর্ভিস এসোসিএসননা ফোংনা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী ৱানি। অসুম্মাইনা ফোংনা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লক্ত্রবসু লৈঙাক্তা পেন্দবা, য়ানীংদবা কোকথোং অমা লৈরি। ১০ অমসুং ১১শুবা আই আর বি বট্টালিয়ন অনীগী পর্সনেলশিং লৌনবগী পাঙথোকখিবা রিক্র্যুটমেন্টকী রিজল্ট হায়দোক্তবগী নীংদোল পোম্নবা হন্দ্রি। থাগী তোলোপ অমসুং ফংফম থোকপা পেন্সনগী কান্নবশিং ফংদবশিংগী পেন্নদবশিংনা ৱান্মৈগুম ওমদুনা চাক্লি। আই আর বিগী খক্তা নত্তনা লোয়শঙ খরদসু মী লৌনবগী পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংগী রিজল্ট হায়দোক্তবগী ৱাথোক লৈরি। পূম্নমকসিনা লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমসুং মসিগা মরী লৈনবশিং ওইজখ্রবসু থোকখ্রবা মতুংদতা থোকহন্নীংদবা থৌদোক্লি হায়নবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম অমা থোক্লিবসিনা কমদৌবা? থৌদোকশিংসিদা অন-ওথোরাইজ ওইনা লম খোপচিনবগী ৱাথোক য়াওরি। নুপী অঙাংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী থৌদোকশিং য়াওরি। ৱার ওন দ্রগ কেম্প্যেন অকনবা মওংদা চত্থরক্লগসু ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাবগী থৌদোকশিং থোক্লি। ইশম-শম্বদা লম্বীদা খুদোংথীবা থৌদোক থোক্তুনা মীশি-মীনা থোরকপা ফাওবদা খুন্নাইসিগী অমসুং লৈঙাক্কী চেনবা য়াদ্রবা থৌদাং য়াওরিবনি। অদুবু মণিপুরগীদি লৈবাকসিগী অতোপ্পা ষ্টেট খরগুম্না লালহৌবগী অচৌবা প্রোব্লেম মায়োক্নরিবনি। লন্নাই মীওইশিংগী মরক্তগী হিংনবনিবু হায়গদ্রা ৱাদনা অমসুং শেল্লেপ পুথোক্তনা শেন্দোং ফংনীংবদগীনিবু হায়গদ্রা হুরান-চিন্থিগী থৌদোকশিংসু লেপ্তনা থোক্লি। মীওইশিংগী মরক্তগী খুজোক অমা খক্তনা ওইরবসু অরানবা, ফত্তবা পান্বেশিং শীজিন্নদুনা হিংনবা হোৎনরি। মসিদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী মশীংসু হেনগৎহল্লক্লি। অদুবু চাদবা য়াদে, হিংদবা য়াদে হায়দুনা হোৎনরকপদা অরানবা পান্বেশিং শীজিন্নরক্লিবা অসিবু অদুঙৈগী অহল-লমনশিংনা ‘চানবা লৈতে তখেন্থাং’ হায়রম্বা ৱাফমসিগী ৱাহন্থোক্কী মনুং চনগদ্রা? খুন্নাই অমগী মশক অমসুং চাং লেপ্পসি খুন্নাইদুদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক অমসুং পুন্সি মহিংনা লেপ্পনিনা হায়রিবা ফীভমশিং অসিগী মথৌ তাবশিং লোইনমক ফগৎহনবগী মথৌ তাই। ফীভমশিংসি ফগৎহল্লক্লগদি থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং হন্থরক্কনি। ঈংনা-তপ্না লৈবা খুন্নাই অমা শোয়দনা ওইরক্লি থাজে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১) ‘‘**মণিপুর গৌর লীলা**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) ‘‘**মনোরমা**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) ‘‘**অপীকপা নুংশা শ্বর**’’ হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) ‘‘**ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু**’’ শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** মণিপুরদা ড্রিপ ইরিগেসন, স্প্রিঙ্কলর অমসুং রেন পাইপ শীজিন্নদুনা ঐখোয়না থারিবা পান্বীশিংদা ঈশিং পীবগী থবক চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লি। লাক্লিবা নিংথমথা অসি নংনবা মখল অমদি শীজিন্ননীংই। করম্বা ইরিগেসন সিষ্টমনা হেন্না কান্নগদগে?

- **বোবোই, সলুংফম**

☞ মসিনা হেন্না ফৈ, হেন্না কান্নৈ হায়বা অমা লৈতে। থাগদৌরিবা পান্বী মখলদুগা চানবা ইরিগেসন সিষ্টম (ঈশিং পীবগী মওং মখল) খেন্নৈ। স্প্রিঙ্কলর অমসুং রেন পাইপনা ঈশিং পীবসি খরা কূংনা থাবা পান্বীশিংদনি। খুদম ওইনা তিলহৌ, চনম, হঙ্গাম মুল্লা অমসুং মসিগী কাঙলূপ, লৈবাক হৱাই অতৈ মনা-মশিংশিংদনা হেন্না চান্নৈ। স্প্রিঙ্কলরদি ঈশিং পীবদা হিঙ্গোলগী মফম খুদিংদা চাং চপ মান্ননা ঈশিং পীবা ঙমদে। কোরোক কোরোক কোইনা লৈমায়দা ঈশিং তাহনবদা মচি খরদা ঈশিং ৱাৎপা, মচি খরদা ঈশিং হেনবা য়াওই। মরম অসিনা রেন পাইপ শীজিন্নবনা ঈশিংগী চাং মান্নহনবা ঙম্মী। শেল চঙবসু য়াম্না হন্থৈ। লুপা ১০০০-১৫০০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা পাইপ অমনা মিটর অমা মখায় পাকপা মিটর ১০০ শাংবা ফৈদোম অনী ঈশিং পীবা ঙম্মী।

থাগদৌরিবা পোৎলমশিংদুনা সেন্টিমিটর ৩০দগী হেন্না থাপনহনগদবা ওইরবদি ড্রিপ ইরিগেসননা হেন্না ফৈ। উহৈ নৎত্রগা মতম কুইনা হেক্তদবা পান্বীশিংগীদমক্তি ড্রিপ পাইপ শীজিন্নগনি। মসিনা ঈশিং লিক্লা শীজিন্নবতা নত্তনা নাপী হৌবগী চাংসু হন্থহল্লি। করম্বা পান্বীশিংদা থাগদৌরি হায়বদু হান্না লেপথোক্লগা চানবা দিজাইন তৌসি।

**Q.** উমোরোক পাল্লগা পৎশিনবা অমদি মোরোক মনুংদা তীল (হনগুম্বা) য়াওবা ফানবা অমদি পান্বী খুইথরগা কংশিন্দুনা শিবা অনীসিদগী কন্নবা হীদাক হায়বীরকউ।

অতোপ্পা অমনা হৈনৌ পান্বী খরা হৌজৈ। তীল চাবনা অমত্তা চাবা য়াখিদে। পান্বী মউ চেকখায়রগা গম থোকপা থেংনজৈ। মসিদগী কন্নবা হীদাক অমসুং মপাল নিংথিনা মহৈসু ফজনা পান্নবা তোঙান তোঙানবা হীদাক তাকপীয়ু।

-**এস কমরাজ, নরান সেনা**

☞ উমোরোক পাল্লগা মহি থোক্লা পৎলবদি বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা ওইগল্লি। বেক্টোৱিন গ্রাম ৮ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্বীগী শরুকশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অনীশুবা ওইনা অমুক কাপথোক্কনি।

মোরোক মনুংদা হনগুম্বা তীল লৈবগীদি Verticore মিলিটর অহুম ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি নৎত্রগসু Melon fly trap, লুপা ৭০ খক পীবা মরিনা শঙম অমা চাওবা মফমদা থাক্তুনা তীলদুগী মপিশিং লোইনা ফাদোক্তুনা মখা তাহন্দবা য়াই।

হৈনৌগী ৱাহংসি তীল কা হেন্না তাশিনবগী ৱাফম ওইবনা অফবা অহাওবা হৈনৌ তীল চাবসু য়াম্না হন্থবা মখলশিং ওইনা ওন্থোকপনা ফগনি। ওন্থোকপা হায়বসিদা অরিবা হৈনৌদু ফূক্তোক্তুনা নৎত্রগা ককথৎতুনা লৌথোক্কদবা নত্তে। অহানবা নৎত্রগা অনীশুবা মসা লোংফমদা (লৈমায়দগী থীগৎপদা) ফৈনা ককথৎলবা মতুংদা অনৌবা চোংখৎলকপা মসাশিংদুদা অহাওবা অফবা মখলশিংদু গ্রাফ তৌশিনসি। পান্বীদুগী মগুন হেনগৎহনসি। হীদাক শীজিন্নবসু হন্থরনি। নোংমা উন্নসি।

**Q.** ঐগী পুখ্রি মপালদা য়োংচাক পান্বী অনীখক হৌই। মপালদি য়াম্না শাই অদুবু য়োংচাক্তি অমত্তা ওইদে, লোইনা কেনখি। অসুম্না তৌবসি চহী অহুম শুরে। মসিবু করি হীদাক তৌরগা য়োংচাক পালহনবা য়াগদগে? হৌজিকসু মপাল শাবা হৌরে।

- **খুমুকচম নন্দলাল, উমাথেল**

☞ মজাৎকী ওইনা পানগন্দবা য়োংচাক নৎত্রবদি King Power মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা নুমিৎ ১০নি কান্নরগা পান্বীগী মউ, মশা অমসুং মনাশিং মপূং ফানা চোৎনবা অনীরক কাপথোকসি। মতম ফংলবদি অহুম মরিরক কাপথোকপসু কান্নগনি। হীদাকসি পুখ্রিদা তারবসু ঙাদা শোক্তে।

# অফবা ফৌদিনা থাদুনা ফৌগী চাথোক হেলহল্লসি

– এস সুমঙ্গল –



ফৌমাংনা থল্লবা লৌফম অমা

**করম্না ফৌ মাঙশিল্লক্লিবা ?** ফৌ থারিবা মফমশিং ফৌ হৌরিঙৈ মতমদা কোইনা চৎতুনা য়েংবীয়ু, চাননবা মরূনা থাবা লৌফম খুদিংমক মচৌ মচা নাইনা দলান শাদুনা অৱাঙ অনেম মান্নদনা য়ানশিন্নদুনা হৌবা থেংনবীগনি। য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওবীগনি। অফবা মরূনা থাখিবা লৌফমশিংদি চাং চপ মান্ননা হৌবা থেংনবীগনি। চাং মান্নদনা হৌরিবদু করি মরমগীনো য়েংসি। অফবা মরূনি হায়দুনা থারিবা মরূদুদা মান্নদবা মরূ অমত্তং য়াওখ্রে হায়না খল্লসি। মরূদুনা হৌরবা মতমদা মচা খরা শোয়দনা পোক্লনি। মচা ১০ পোক্লে হায়না খল্লসি। মচা ১০ অদুদা চরোং ১০ পাল্লনি, চরোং অমদা মরূ ২০০-২০০ পাল্লবদি পূন্না মরূ ২০০০ পাল্লনি। মরূ ২০০০দু লোকপা মতমদা য়াওশিনখ্রনি। থমখ্রিবা য়ানশিনখ্রবা ফৌ অদুদগী মথং থানবা লৌথোকপা মতমদা শোয়দনা মরূ খরদি য়াওরক্লনি। মরূ চান্মা য়াওখ্রবদি মথংদা লোকপা ২০০০X১০০=২০০০০০ য়ানশিল্লক্লনি। অসুম্না চহী খরগী মনুংদদি অসুম্না অসুম য়ানশিনখিবনা ঐনা থারিবা ফৌদুবু করম্বনো হায়বদু খঙলরোই। অসুম্না সাইন্টিষ্ট কয়ানা মতম চঙনা পুথোকপীরল্লিবা ফরবা ফৌ ভেরাইটি কয়া মাঙশিল্লক্লবগী মরমসু ওইরিবনি। য়াম্না চেকশিনহঞ্জনীংই।

**অফবা ফৌদি করম্না কনানা পুথোক্কনি ?** মণিপুরগী অপূনবা লৌফম চাওরাক্লা পরি ২০০০০০ (লাখ অনী) অসিগী কোন্ননবা অফবা ফৌদি লৈঙাক্লা কদায়দগী পীগনি? মখোয়দা লৈরিবা লৌফম কয়া য়াম্বনো? সী এ য়ু, আই সী এ আর, এগ্রি দিপার্টমেন্ট অহুম্না পূন্না মশাগী লমদা থাদুনা টন ৩০ মঙায় পুথোক্লবদা। লৌ পরি অমগী ফৌদি কিলো ৫০-৫০ চঙবগী চাংদা পাবদা ফৌদি কিলো ২০০০০X৫০০=১০০০০০০০ হায়বদি টন ১০০০ (লিশীং ১০) পুথোকপা তাবনি। অদুদি কনানা অফবা ফৌদি পুথোক্কনি? লৌমী ওইরিবা ঐখোয়না পুথোকপা তাবনি। অফবা ফৌদি পুথোক্লবা মরক্তা থৌরম কয়া অমা লৈরিবদু থমখ্রগা ইশাগী লৌফমদগী অফবা ফৌদি পুথোক্লবা থৌরাং খরা খঙজিনবদা কান্নগনি খল্লি, য়েংসি।

ইশানা ইশাগী লৌফমদগী অফবা ফৌদি লোকচননবা করি থৌরাং তৌগনি ? ইশানা পামজবা/চানবা ফৌ মখল অমগী অফবা ফৌদি অচুম্বা (সী এ য়ু, আই সী এ আর, এগ্রি দিপার্টমেন্ট, কে ভি কেনচিংবা) মফমদগী ফংলে হায়না খল্লসি। মদু নিংথিনা ইশাগী লৌফমদা থারসি। চহী ৩-৪দি ইশানা লোকচবা ফৌদি অদু অফবা ফৌদি ওইহনবা য়াই। মসিমকসুনি ওইহনগদবা। করম্না ওইথোক্কনি? অরায়বা থবকনি, মীয়াম্না তৌবীদবগী ৱানি। য়েংসি - ইশাগী লৌফমগী চঙগদবা ফৌদি কয়ানো পুথোক্লসি। মসি মখৈদি শোয়দনা অফবা ওইনা পুথোকপীনবা হোৎনহৌসি। খরা হেন্না পুথোকপসু কায়দে। হেন্না পুথোক্লিবা শরুক অদু মমল তাঙনা য়োনবা য়াগনি । লোয়ননা মীগীসু মতেং পাংবগী হায়বদি অফবা ফৌদি ফংহনবগী নুংঙাইবসু পোক্কনি। ইশাগী লৌফমদা মফম চাবা য়েংদুনা ফৈদোম অমত্তংদি নিংথিনা অফবা ফৌদি লোক্লবা হোৎনবা তারে। মথক্তা অফবা ফৌদি করিনো হায়বদু খঙখ্রবনিনা লায়রনি খল্লি। ফৌমাং য়াওদনবা হৌরিবা ফৌ মরক্তগী মান্নদবা ফৌ মখৈ চিংনদনা মীনুংশি য়াওদবমখৈ ফূক্তোক্তুনা মাঙহনবা তারে।



ফৌমাং খন্দোকপা

পৌরি অমা ফানা লৈবা ইমুংদি য়ামদে। অমরোমদা অমুক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চাথোক অসি চাংচৎতা লৌ পরিদা টন ৪.৫নি, মণিপুরগীনা টন ২.৫নি হায়নৈ। শেন্দোং য়াম্না লৈতে। লৌমীগী ইনকম হেন্নবা করি পান্বে লৈ? মসিদনি চাথোক হেন্নবা অফবা ফৌদি তঙাইফদে হায়রিবসি। ফৌদি হায়রগদি থাননবা অফবা মরূনি হায়না অদুমক খঙনবা য়ারে। ইপা ইপুশিংনা থাননবা ফৌ মরূবু ফৌদি কৌনরম্মীবগী ৱাহন্থোক য়াম্না চাউনা লৈ। ইচম চম্না ফৌ হায়না কৌরমদে। মরমদি অফবা মরূনা (ফৌদিনা) থাবনা ফত্তবা মরূনা থাবদগী চাথোক হেল্লি হায়বসি মখোয়না খঙলম্মী। হৌজিক্কী মতমদা সীদ হায়বসিগা গ্রেন হায়বসিগা অনীগী খেন্নবগুম ইচম চম্না ফৌ হায়বসিগা ফৌদি হায়বসিগা অনীগী খেন্নবা অসিগা চপ মান্নে। অমনা থানবনি অদুগা অমনা চানবনি।

ফৌ তাইবা শিৎত্রে হায়বগী অৱাবা কোক্লবা লৈঙাক্লা কিলোদা লুপা ২৫দা লৈশিনবীগনি হায়বা নুংঙাইরবা পাউ অমা মীয়াম্না তাবিরম্লগনি খঞৈ। চাগা চাদিং হাইফেত্তং পাদুনা য়েংবা নুংঙাইগনি খল্লি। লৌ পরিদা টন ৪ হায়বদি কিলো ৪০০০ নৎত্রগনা মোন ১০০ থোক্লবদি ফৌ মখল অদু হায় য়েলদিং ভেরাইটি ওইরে হায়নৈ। শঙমদা মোন ২৫গী চাংনি। লৌ পরি অমা চাথোক নিংথিনা পুথোক্লবা নিংথিনা লিংদুনা হোৎনবা মতমদা হৌজিক্কী মতমদা চাওরাক্লা লুপা লিশীং হুমফুদি অদুমক চঙলে। কিলোদা লুপা ২৫দা য়োনবদা কিলো ৪০০০দা লুপা লাখ অমা শিৎকনি। লৌ পরি অমদা লুপা লিশীং নিফু তোংলে। থা কয়াদা? থা ৪-৫দা। ফৌ থারবগী তুংদা লৌবুক্তু হাঙদুনা লৈরবদি মদুনা লৌ পরি অমগী শেন্দোং লোইরে। লৌ পরি অমখক লৈজবা ইমুং অদু থবক অতৈ লৈত্রবদি করম্না হিংগনি? লৌ পরি অমা ফানা লৈবা ইমুংদি য়ামদে।

**করম্না চাথোক হেল্লিবা ?** ইপা ইপুশিংনা খঙলম্লিবা অদুগী ৱাহন্থোক ওইনা থমজরবদা অফবা মরূ/ক্বালিটি সীদ/সর্টিফাইদ সীদ হায়রগদি মঙোন্দা ফৌমাঙ হায়বদি মরূদুগা মান্নদবা অতোপ্পা ভেরাইটিগী মরূ য়াওদ্রে, অসুম্না থাখিবা ফৌমাং য়াওখিদবা লৌফমশিংদি চাং চপ মান্ননা হৌবা থেংনবীগনি। লায়না তীলনাগী হৌরকফম অমত্তা য়াওদবা মরম্না ঙন্না লায়না তাশিনবা হন্থরনি। মতোন নিংথিনা থোক্লনি, মশা-মউ ফনা হৌরক্লনি। মরম অদুনা নিংথিনবু হোৎনরবদি শোয়দনা চাথোক লৈরনি। অমরোমদনা চাননবা থম্বা মরূ অদুদি মথক্তা পল্লিবা পামদবশিং অসি শোয়দনা য়াওরম্লনি। থারুবা মতমদা লায়না-তীলনা ঙন্না তাশিল্লক্লনি, ফৌমাং কয়া অমা য়াওরক্লনি, খরনা ঙন্না শাৎতোক্লনি, খরনা থেংনা শাৎলনি, নাপি মরূ কয়া অমা য়াওরক্লনি, নাপি কা হেন্না হৌরক্লনি, নাপিগা হৌমিন্নবা ফৌ পান্বী মশা ফবা ৱাৎলনি, ঙন্না শাৎপা মখৈ কেন্দুনা মাঙখ্রনি, থেঙনা শাৎপা মখৈ মতম চানা মুল্লরোই, লোক্লবা মতুংদা ফৌহাম ওইখ্রনি। মরমশিং অসিনা চাথোক শোয়দনা হন্থরনি।

পাখৎপীগনু কা হেন্না য়াম্না য়াওরক্লোই। নাপী নিংথিনা পেংথোকপীবা তারে। পোটাশ হার পীরিবা চাংদগী খজিক্তং হেন্না চাইবীবা তারে। লায়না তীলনা তাদনবা অখঙ অহৈ তানদুনা হোৎনবীবা তারে। অসুম্না হোৎনরবা মতুংদা মতম চানা নিংথিনা তোঙান্না মশা শেংনা অতোপ্পা ভেরাইটিগা য়ান্নখিদনবা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক হোৎনদুনা লোকপীবা তারে। মসিদা কূপ্পা করি থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না থমজররোই। তোঙান্না লোক্লবা ফৌ নিংথিনা শেংদোকপীদুনা নিংথিনা কংহল্লগা মশক খঙনা ভেরাইটিগী মমিং থাদুনা তোঙান্না অফবা ফৌমাং য়াওদ্রবা বোরাদা হাপ্তুনা মতম মতমগী চ্যেক তৌবা য়ানবা অঙৈংবা মফম (চোৎপদি নত্তবা) য়েংদুনা লিবিরো। মথং চহীগী ঐগী কোন্নবদগী অহেনবা অদুসু মমল তাঙনা য়োনবা য়ারগনি।

মতৌ অসুম্না লৈঙাক্লা ফংহল্লিবা অফবা ফৌদিদু ইশানা চেকশিন্না হোৎনরবদি মণিপুরগী লৌফম খুদিংমক অফবা ফৌদিনা থাদুনা ফৌগী চাথোক হেন্না পুথোক্তুনা মীপান তাংদবা চাকহোং ঙাহোংবা লমদম অমা ওইহনবা য়াগনি। হায়রিবা অসি অতৈ পান্বী - হৱাই, চেঙৱাই, থাও থোকপা পান্বী, মনা-মশিং খুদিংমক্কী পাঙথোকপা য়াগনি। ●